# যোগি অদিত্যনাথকী মায়োক্তা লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে, এসেমব্লি মমাঙদা মহৈ মরোং কয়া মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে



***লক্ষনৌ, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি মমাঙদা মশীং য়াম্লবা লৌমী কয়ানা মখোয়না পুথোকপা পোখোক কয়া মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লোয়ননা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওখি।

মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ (এম এস পি) দা লুপা ১০ হেনগৎলকখিবগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙখি। এম এস পি দা লুপা ১০ হেনগৎপা হায়বা অদু ক্যুইনটলদা লুপা ৩১৫ হেনগৎপগা মান্নে।

খোয়শাওনরবা লৌমীশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি না মীখলগী মতমদা চু থাবা লৌমীশিংদা ৱাশকখিবা অদু ঙাকপা ঙমদ্রে। হৌজিক এম এস পি গী চাং কা হেন্না ৱাংখৎখ্রে। লৌমীশিংগী ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ভারতিয়া টিসাল য়ুনিয়ন্নসু মখোয়গী দিমান্দশিং ফংননবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোক্লকপসু লৈরি।

লৌমীশিংগী লুচিংবা হরিনাম সিংহ বর্মানা ফোঙদোরকখিবদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংদা পামদবা মীৎয়েং থল্লি। মদু অশোকপদা থুম চাইশিনবগা মান্নে হায়না ফোঙদোরকখি। অদিত্যনাথ লৈঙাক্লা মমাঙগা মান্নদবা মওংদা থবক কয়া পায়খৎলকপনা মরম ওইরগা চুগী পোখোক পুথোকপা মপুশিংদা চাওনা চৈথেং পীরে।

ঙসি ষ্টেট এসেমব্লিগী মমাঙদা লৌমীশিংনা চুগী পোখোক মৈ থাদুনা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখি। লোয়ননা ষ্টেট অদুদা লৈবা বি জে পি গী হেদ ক্বার্টরদসু চপ মান্নবা খোঙজং চঙশিনখি হায়রি।

লৌমীশিংনা হৌজিক চিনি কেজিদা মমল হেনগৎলকপা অদু থেংনরে। মমাঙদদি চিনি কেজিদা লুপা ৩.০৫ ওইরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তী কেজি অমগী মমল ৩.১৫ ওইরে হায়রি।

লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা চিনিগী মমল হেনগৎহনবা অদু ষ্টেট লৈঙাক্লা তরাম্না ওক্লি। লোয়ননা চু থাবা অমদি চিনি পুথোকপা ফার্মশিংনা তরাম্না ওকফম থোকই হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ারগী লমদা শীংনবা হেনগৎলক্লি ঃ জেমস মার্টিস

***ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার এতেক্ট চত্থরকপা য়াবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মার্টিসনা ঙসি সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শীজিন্নরক্লবদি য়ু এস না তমথিবা মওংদা মিলিটরিগী ওইবা লমদা খূৎ হনগনি। লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ঈশিংগী লমদমদা লানশিল্লকপনি হায়বা সাউথ কোরিয়াগী ঙামীশিংনা তোংবা হি থাদোরকখিবা লৈখ্রে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মীওই ১০ রোম তোংখিবা হি অমা নোর্থ কোরিয়ানা ফাজিল্লুরবা মতূং থাদোরকখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা কা হেনবা থবক তৌবনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোক থোকহল্লি। সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা মিলিটরি এক্সর্সাইস কয়া পাঙথোকখিবা লৈ। য়ু এস কী দিফেন্স সেক্রেটরি মার্টিসনা হায়, নোর্থ কোরিয়ানা করিসু কান্নদবা মওংদা ন্যুক্লিয়ার মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌখ্রে। লোয়ননা ন্যুক্লিয়ার ৱিপন প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিং অমসুং য়ু এস তা চাওনা শিংনরকপা অমা ওইহল্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা নিয়মগী ৱাংমদা থবক চত্থদুনা ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখ্রে।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা এসিয়াগী খোঙচৎ মনুং চন্না নভেম্বর থাদা সাউথ কোরিয়াদা চৎকনি। লুচিংবা অদুগী খোঙচৎ মনুংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তরুকলক পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অদুনা চাংয়েং তৌখিবা বোম অদু কিলোমিটর ৫০ দগী ১২০ ফাওবদা অমাঙ অতা থোকহনবা ঙম্মী।

ইং ১৯৪৫ দা জপানগী হিরোসিমাদা থাদখিবা বোম অদুদগী শরুক অহুম হেন্না মপাঙ্গল লৈ হায়রি। নোর্থ কোরিয়ানা আগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা জপানগী নোংথক লান্না বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবা লৈখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা জপানগী নোংথক লান্না মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবা অদুদা জপানগী মীয়ামদা চাওনা মীপাইবা পোকহনখিবা লৈখি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌখিবা মতূং সাউথ কোরিয়ানা য়ু এস না শাবা টার্মিনেল হায় অল্টিট্যুট এরিয়া দিফেন্স (থাদ) য়ু এস কী মতেঙগা লোয়ননা দিপ্লোই তৌখ্রে হায়রি।



*য়ু এস কী দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মার্টিস (ময়াই)*

# দিমোনিটাইজেসন চত্থখিবগী অহানবা কুমওন থৌরমবু কংগ্রেস পার্টিনা ব্লেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লগনি লাওথোকখ্রে

***পুদুচেরি, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দিমোনিটাইজেসন চত্থখিবগী চহী ১ ফারকপা নুমিৎ নবেম্বর ৮ বু কংগ্রেস পার্টিনা ব্লেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৮ দা লৈঙাক অসিনা লীশিং অমসুং চামঙা চৎপী মুখৎলে হায়না লাওথোকখি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা থোকহনখি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৌজিক মায়োক্লরিবা থবক ফংদবগী ৱাথোক থেংনবগী থৌশিলদা চাওনা অকায়বা পীখি হায়না পুদুচেরিগী পি দবলিউ দি মিনিষ্টর অমসুং পি সি সি গী প্রসিদেন্ট এ নমাসিভায়মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পার্টি অদুনা ষ্টেট অদুদা দি এম কে গা চুঙশিন্নদুনা ওক্টোবর ৩১ দা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা বি জে পি না লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক্লা দিমোনিটাইজেসন চত্থখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

নামাসিভায়মনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা হৌজিক কাঙনা শন্দোকপা লায়না দেঙ্গিনচিংবশিং থেংননবা চপ চাবা থবক পায়খৎলি। ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা ফোগিং তৌবগী থবক চত্থরি।

লৈঙাক অদুনা ষ্টেট অদুগী মনুংদা এদভরটাইজ তৌবা, বেন্নর থেৎপা অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংবু মীয়াম্না য়াহন্নবা হোৎনবা হোর্দিংশিং থেৎপা অথিংবা থমখি। ললোন ঈতিক্কী মফম অমসুং অকক্লবা মফম খরগী মতাইদা অদুগুম্বা পূক্লীং থৌগৎপা য়াবা হোর্দিং অমদি এদভরটাইজ তৌবা অথিংবা থমখ্রে। মদু মদ্রাজ হায়কোর্টনা পীরকখিবা য়াথং অমগী মতূং ইন্না পায়খৎখিবনি হায়রি।





# নুপী ৩০ দা ঐচ আই ভি শন্দোকখি হায়বগী মরালদা ইটালিগী ভেলেন্টিনো টালুদো কৌবা মীওই ১ ফাগৎখ্রে

***পেরিস, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা ভেলেন্টিনো কৌবা নুপা অমনা নুপী ৩০ লোয়নখিবগা লোয়ননা মীওই অদু শাফবা ফিভমদা নুপীগা লোয়নবা য়াবগী ফিভম ঙাক্তবগীদমক ফাখ্রে।

ইটালিগী মীওই অদু নুপী ৩০ ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইহনখিবগী মরালদা চহী ২৪ জেলদা লৈননবগী দন্দি পীখ্রে। ভেলেন্টিনো টালুতো কৌবা মীওই অদুনা শাফবা ফিভম ঙাক্তনা নুপী কয়াগা লোয়নখি।

ইং ২০০৬ তা মহাক ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরে হায়না খঙখ্রবা মতূং নুপী কয়াগা লোয়নখি। মহাক্লা আইন কায়বা মওংদা নুপী কয়াগা লোইনখিবা অদু য়েংলগা চহী ২৪ জেলদা লৈনবগী দন্দি পীখ্রে।

টালুটোগী উকিলনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্লা লোয়নখিবা নুপীশিং অদুদা মহাক ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরে হায়না খঙহনখি। অদুম ওইনমক মীওই অদুনা নুপী কয়াগা লোয়নখি। নুপী খরনা লায়না অদু পকপা মীওই অদুগা তিন্নখি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

ফিভম অদু য়েংলগা মীওই অদুনা নুপী কয়াগা লোয়নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মহাক্লা লোয়নখিবা নুপীশিং অদু হকথেংননা ভাইরস অদু লৌনরম্বা য়াই। মদুনা মরম ওইরগা খুদোংথিবগী চাং হেনগৎহল্লে হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা লমদম অদুদা লৈরিবা নুপীমচাশিংনা মখোয়গা লুহোংগদবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকপা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা শক খঙনবগী তঙাই ফদবা ফিভম অমা লাক্লি।

মখোয়না হায়, মীওই কয়া ঐচ আই ভি না শোকহল্লকপা য়াই। বারশিংদা নুপাশিংগা উন্নবদা লায়না অদু লৌনরকপা য়াবগী ফিভম কয়া লৈরি। মশানা লায়না অদু লৈরে হায়বা মীওইশিংনা মশানা খঙনা অতোপ্পশিংগা লোয়নরবদি চহী ১০ দগী তাদনা জেলদা লৈবা য়াবগী দন্দি ফংবা য়াই হায়রি।



# গুজরাট মীখলদা জে দি য়ু না বি জে পি গা চুঙশিন্নরোই ঃ নিটিস কুমার

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
জনটা দল য়ুনাইটেদকী মচেৎ তারবা কাঙবুগী লুচিংবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা গুজরাট এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অদুনা মরন্নাই ওইনা থেংনগনি। লোয়ননা বি জে পি গা চুঙশিন্নবা তৌরোই হায়না লাওথোকখ্রে।

জে দি য়ু গী জেনরেল সেক্রেটরী কে সি ট্যাগিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাটকী মীখল অসিদা পার্টি অদুনা মরন্নাই ওইনা মীখল থেংনগনি। লমদম অদুদা চহী কয়াগী মমাঙদগী মখোয়গী ওইবা সিট কন্দুনা লাকখিবনি।

ষ্টেট অদুদা বি জে পি গা চুঙশিন্নবা তৌরোই। জে দি য়ু না বি জে পি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগা চুঙশিন্নবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ট্যাগিনা ফোঙদোরকখি।

লুচিংবা অদুনা হায়, মমাঙদদি জে দি য়ু না নেসনেল দিমোক্রেটিক এলায়েন্সকা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক গুজরাটকী মীখল অসিদদি চুংশিন্নবা য়াওদনা জে দি য়ু না মীখল থেংনগনি হায়রি।

গুজরাটকী মীখল অদু তাঙ্কক অনী থোক্লা দিসেম্বর ৯ অমসুং ১৪ দা পাঙথোক্কনি। বিহারগী ওইনা নিটিস কুমারগী জে দি য়ু না জুলাই থাদা বি জে পি গা চুঙশিন্নখিবা লৈখ্রে। পার্টি অদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবা পার্টি আর জে দি অমসুং কংগ্রেস ইথ্রোক্লমদুনা বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা চুঙশিন্নখিবনি হায়রি।

# জে এন্দ কে দা লান্মীগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

***জম্মু, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী চান্দি মন্দিরদা লৈবা ৱার মেমোরিয়েল সিমিত্রিদা ঙসি খোঙ লান্মীগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লেপটিনেন্ট জেনরেল সুরিন্দ্র সিংহ, ৱেষ্ট্রন আর্মি কম্মান্দর শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লনবা হোৎনবদা থৱাই কৎখ্রবা খোঙ লান্মীশিংগী মফমদা মীওই কয়ানা ইকায় খূম্নবা উৎখি। ইং ১৯৪৭ দা সিখ রেজিমেন্টনা কাশ্মীর তম্পাক অমসুং শ্রীনগর এয়ারপোর্ট ঙাক্লনবা অকনবা থৌদাং লৌখি। পাকিস্টান লান্মীনা খুদুম চন্ননবা হোৎনরকপা কয়া খোঙ লান্মীশিংনা ঙাকথোকখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর ২৭ পু ইন্দিয়ান লান্মীগী খোঙ লান্মী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

কাশ্মীরগী বদগামদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা য়ু পি গী কুমাউন লমদমদা লৈবা মেজর সোমনাঠ শর্ম্মাদা পরমবির চক্র পীদুনা ইকায় খূম্নবা উৎখি। মতম অদুদগী হৌনা খোঙ লান্মীশিংনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা অকনবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। নীংখা তম্লবা মতূং কাশ্মীরদা হৌরকখিবা লানহৌবগী ইরাংশিং লাকশিন্নবা খোঙ লান্মীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাঙলোইনা ফোঙদোরকখি।

খোঙ লান্মীগী থৌরম অদু উদমপুরদসু পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা মীওই কয়াদা মনা পীবগা লোয়ননা ইকায় খূম্নবা উৎখি।

থৌরম অদু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পাঙথোকখি। হ্বাইট নাইট কোর্প, রোমিও ফোর্স ৱার মেমোরিয়েলদসু অখন্নবা ওইনা পাঙথোকখি হায়রি।

# সেপ্টেম্বর ১৮ দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা এন এস সি এন (কে) চেন্নদে হায়না ফোঙদোকখ্রে

***দিমাপুর, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
দিমাপুরগী ৫ শুবা মাইলদা লৈবা কুদা কোল্ড ষ্টোরিসকী মপু এল দুলোদা সেপ্টেম্বর ১৮ দা লাইফ এটেম্প তৌরকখিবা অদুগা এন এস সি এন (কে) গা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফারে হায়রিবা মীওইশিং অদু পার্টি অদুগা মরী লৈনদে। কেপ্টেন অখেটো চোপি অমসুং এলিট হাপলোং এন এস সি এন / জি পি আর এন গা মরী লৈনদে হায়না এন এস সি এন (কে) গী এম আই পি না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং অদু এন এস সি এন (কে) গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। ৱাফম অদুগা মান্নরা খুমাটাসা সুমিনা ফোঙদোরকখিবদা সেপ্টেম্বর ১৮ গী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু এন এস সি এন / জি পি আর এন গা মরী অমত্তা লৈনদে।

শম্মা হায়রবদা ফারে হায়রিবা মীওইশিং অদু জি পি আর এন গী ওফিসিয়েল ওইবা মেম্বর অমত্তা নত্তে। দিমাপুরগী স্পিসিয়েল ওপরেসন টিমনা ওক্টোবর ২৩ দা হৌখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অনী ফারে হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে।

এদিস্নৈল দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা ফারবা মীওইশিং অদু এন এস সি এন গী কাদরশিংনি। মখোয় হৌখিবা থা অমরোমগী মমাঙদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিদুনা লাকখিবনি হায়রি।

# অন্ধ্র প্রদেশতা টিপ্পর অমনা ওতোদা থোমজিনবদা নুপী ৬ শিরে

***লক্ষনৌ, ওক্টোবর ২৮ ঃ***
অন্ধ্র প্রদেশকী ইষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি য়াংনা থৌদুনা লাকপা টিপ্পর অমনা ওতো রিক্সো অমদা থোমজিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিরে অদুগা ৬ না অশোক অপন নংখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশকী মাদেকুরুগী মনুং চনবা গোদাবরিদা ঙসি অয়ূক খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পাউ অসিগী মতূং ইন্না মীওই কয়া ভাদাপলিদা লৈবা লাই বেঙ্কাটেশ্বারাদা লাই খুরুম্বা লাকপদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

লম্বী অদুদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৫ মফম অদুমক্তুদা শিখি। অদুগা মীওই ১ না হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা অতোপ্পা মীওই ১ দি কাকিনাগাদা লৈবা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা ফোঙদোকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগীদমক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা য়াথং পীখ্রে।

থৌদোক অদুগী চপ চাবা ৱারোল পীখৎলক্কদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে। দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর (হোম) চিনা রাজপা খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা অশোকপা কয়া লায়কন্নরিবা হোস্পিটালদা চৎতুনা অশোকপশিংগা উন্নখ্রে হায়রি।

ষ্টেট হেল্ঠ মিনিষ্টর কে স্রিনিভাসনা দিষ্ট্রিক্ট হেল্ঠ ওফিসিয়েলশিংদা খুদোংথিবা থৌদোক্তা শোক্লবা মীওইশিং লায়েংবদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা অমসুং খুদোংথিবা থৌদোক অদু চপ চানা থিগৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।





*ঙসি য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর (ষ্টেট) রাজেন গোহেননা লমথাখ্রবা অগর্টালা-অনন্দ বিহার রাজধানি এক্সপ্রেস ত্রেন অৱাং নোংপোক লমদমদা রাজধানি এক্সপ্রেস ত্রেনগী খুদোংচাবা ফংবা ষ্টেট ত্রিপুরানা অহমশুবা ওইরে। অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অনীদা রাজধানি এক্সপ্রেসকী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মতূং অহমশুবা ওইনা অগর্টালানা ঙসি রাজধানি এক্সপ্রেস ত্রেনগী খুদোংচাবা ফংখ্রে*

GAS TODAY

**Canchi Indane Service**
Booking : 26/07/17
Valid : 13/07/17
Stk : 306
Rate : Rs. 749
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Khongjom**
Booking : 08/08/17
Valid : 10/02/17
Stk : 306 CTC
Time : 07.30 to 12.00 noon

**Khoriphaba LPG Service**
Booking : 12/06/17
Valid : 23/05/17
Stk : 612
Time : 7.00 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 21/06/17
Valid : 20/06/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

সনা-সুদোকু - ৯৭৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 | 1 | 4 | 6 |
| 7 | 3 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 2 | 8 |
| 6 | 1 | 2 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 | 3 |
| 1 | 4 | 5 | 7 | 8 | 6 | 9 | 3 | 2 |
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 3 | 8 | 9 | 4 | 2 | 5 | 6 | 7 | 1 |
| 4 | 2 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 4 |
| 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 | 6 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-979**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | 4 | | | | | |
| | | 7 | | | | 6 | 5 | |
| | | | 1 | | | | | |
| | 9 | | | 6 | | | 3 | |
| | 3 | | 5 | | | 7 | 4 | 1 |
| | 7 | | | | 1 | | | 2 |
| | | | | 7 | 4 | 3 | | |
| | 4 | 2 | | | | | | |
| 9 | 1 | | 6 | | | | | |